# হান্না কোভিদ-১৯না শোকহনখ্রবা মীওই ভেক্সিন দোজ অমদগী হেন্না কাপ্পীংঙাই ওইদে : ষ্টদি

হায়দরবাদ, জুন ১৪ (এজেন্সী):
মমাংদা কোভিদ-১৯না ইনফেক্সন লৈখ্রবা মীওইশিং ভেক্সিন দোজ অমদগী হেন্না থাদ্রবসু য়াই, দোজ অমনা এন্টিবোদি মতীক চানা পুথোকচবা ঙমই হায়না হায়দরবাদতা লৈবা এ আই জি হোস্পিটালনা পাংথোকপা ষ্টদি অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

হোস্পিটাল অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬ অমসুং ফেব্রুৱারী ৫গী মরক্তা ভেক্সিন কাপখিবা হেল্থক্যের ৱার্কর ২৬০দা ষ্টদি অমা চখদুনা পেসেন্টশিং অসিগী ইম্যুনোলোজিকেল রেসপোন্স য়েংশিনখি।

মখোয় খুদিংমক্তা ওক্সফোর্দ-সেরম ভেক্সিন কাপখি।

লৈবাক অসিনা চৎলিবা চহি অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা (চহী ১৮ মথক ওইবা) ইলিজিবল মীওই খুদিংমক ভেক্সিন কাপ্পবা খন্নরিঙৈদা ষ্টদি অসি ফোঙলক্লিবনি। মালেমগী মীয়ামগী হকশেলদা অকিবা চাউনা পীরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকতগী ঙাকথোক্নবগী খ্বাইদগী হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা পাম্বৈদি ভেক্সিননি হায়না লৌনরি।

মমাঙদা কোভিদ-১৯না শোকহনখ্রবা মীওইশিংদা ভেক্সিন দোজ অমা থাবদা মখোয়দা উবা ফংলিবা এন্টিবোদি রেসপোন্স অদু মমাঙদা লায়না অসিগী ইনফেক্সন লৈখিদবশিংদগী হেনখি।




ভেক্সিন দোজ অমনা থোকহনবা মেমোরি টি-সেল রেসপোন্সশিংসু হান্না ইনফেক্সন লৈখ্রবা গ্রুপ অদুনা ইনফেক্সন লৈত্রিবশিংদগী হেনখি।

ষ্টদি অদুদা ফংলিবা ৱারোইশিনদি কোভিদ-১৯দগী ফরবা মতুং থা ৩দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন দোজ অমা কাপ্পদা ভেক্সিনশিংগী এন্টিবোদি রেসপোন্স ৱাংলকপগা লোয়ননা টি অমসুং বি-সেল রেসপোন্সশিং ৱাংলক্লিবদু হান্না কোভিদ ইনফেক্সন লৈখিদবা মীওইশিংদা ভেক্সিন দোজ অনী কাপ্পগা মান্নে হায়বসিনি।

ষ্টদি অসিগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিদা ভেক্সিন কোন্নদবগী ফিভম অমা লৈরিঙৈ মতমসিদা ভেক্সিন দোজ অনী সুনা কাপ্তুবদগী সেভ তৌহৌবা দোজশিং অদু শীজিন্নরগা লৈবাক অসিগী অহেনবা মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা য়ারগনি হায়না ষ্টদি অদুগী কো-ওথরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এ আই জি হোস্পিটালসগী চ্যেরমেন ডা. দি নাগেশ্বর রেদ্দিনা হায়রি।

ডা. রেদ্দিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না হর্দ ইম্যুনিটি এচিব তৌগদবা মীওই মশিং য়ৌনা ভেক্সিন কাপ্পা লোইবগা হান্না ইনফেক্সন লৈখ্রবা অমসুং দোজ অমতমক কাপখিবা মীওইশিং অনীশুবা দোজ কাপ্পা য়াগনি। তাঙ্কক অসিদা ঐখোয়না তৌগদবদি লৈরিবা ভেক্সিনশিং পাক শন্না ফঙহনবা অমসুং মী মশিং য়াম্না ভেক্সিন দোজ অমা কাপথোকপা অসিনি।

# ৱান নেসন ৱান রসন কার্দনা ফুদ সিক্যুরিটি কোইপু পুবা য়াহল্লে : সেন্টর

ন্যু দেল্লী, জুন ১৪ (এজেন্সী):
গভর্ণমেন্টকী ফ্লেগসিপ 'ৱান নেসন ৱান রসন কার্দ' (ও এন ও আর সী) স্কিম অসিনা ফুদ সিক্যুরিটি অসি কোইপু পুবা য়াহল্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেন্তরনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টরনা মখা তানা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা স্কিম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ)গী মাইগ্রেটরি বেনিফিসরিশিংবু লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা ঈ পি ও এস য়াহল্লবা ফ্যের প্রাইস সোপ (এফ পি এস)কী মতেংনা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস)দগী কান্নবা লৌহনবনি।



মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী প্রোব্লেমশিং অমসুং মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিংগী সু মোতু কেস অমগী অইবা সবমিসনদা সেন্টরনা কোর্ট অসিদা হায়খি। ও এন ও আর সি প্লান অসিনা এন এফ এস এগী মাইগ্রেন্ট বেনিফিসরি খুদিংমকপু বাইওমেট্রিক ওথেন্টিকেসন য়াওবা মখোয়গী হৌজিক লৈরিবা রসন কার্দ শীজিন্নরগা লৈবাক মখোয়না পাম্বা মফম অমগী ফ্যের প্রাইস সোপ (এফ পি এস) অমদগী মখোয়গী চাকথুং ওইরিবা পি দি এস/এন এফ এস এগী হৱাই চেংৱাই লৌবা য়াহনগনি।

সবমিসন অদুদা সেন্টরনা মখা তানা হায়খি, টার্গেটেদ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (টি পি দি এস)কী মখাদা লৈবাক অসিদা পুথোক্লিবা টেক্নোলোজিদা য়ুম্ফম ওইবা রিফোর্মশিংগী মনুং চন্না গভর্ণমেন্টনা এন এফ এস এগী মখাদা রসন কার্দশিং লৈবাক শিন থুংনা শিজিন্নবা য়াহন্নবা ও এন ও আর সী হৌদোকখি। পোর্টেবিলিটিনা মসিবু য়াহনবনি। মাইগ্রেন্ট বেনিফিসরি অদুগী য়ুমদসু লেমহৌরিবা রসন লৌজবা য়াই।

এন এফ এস এনা কোভর তৌদবা ওইরবসু থা অমদা মীওই অমদা চেঙ কেজি ৫ ফংহল্লিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী স্কিমগী মখাতা ইস্যু তৌখিবা রসন কার্দ পায়বা বেনিফিসরি খুদিংমকসু চেঙ-হৱাইগী স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংহল্লে হায়নসু সেন্টরনা ক্লেম তৌখি।

সেন্টরনা হায়, অহুমশুবা তাঙ্কক্কী প্রধান মন্ত্রি গরিব কলয়ান অন্না য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই-থ্রী)গী মখাদা ষ্টেট অমসুং য়ু টি খুদিংমক্তা চেঙ লেম্না ফংহল্লি। অন্ট্যোদয়া অন্না য়োজনা (এ এ ৱাই) অমসুং প্রাইওরিটি হাউসহোল্দ (পি ঐচ ঐচ) বেনিফিসরি খুদিংমক্তা সেন্ত্রেল পুলদগী থা অনী হায়বদি কুমজা ২০২১গী মে অমসুং জুনগী ওইনা থা অমদা মীওই অমদা চেঙ কেজি ৫গী চাংদা ফংহনখ্রে।

পি এম জে কে এ ৱাই-থ্রীগী মখাদা মথক্কী চাকথুং অসি ষ্টেট অমসুং য়ু টিট খুদিংমক্তা ফংহনখ্রে। মখোয়দা খংহল্লিবশিং অসি মখোয়গী হান্নগী টি পি দি এস চাকথুংগী মথক্তনি। পি এম জি কে এ ৱাই-থ্রীগী মখাদা পীফম থোকপশিং য়েন্থোকপগী থবক চথরক্লি। স্কিম অসি থা মঙা অমসু হায়বদি কুমজা ২০২১গী নবেম্বর ফাওবা শাংদোকহল্লে হায়না সেন্টরনা মখা তাখি।

# জর্নেলিষ্ট অমা শিরম্লে, পুলিসনা এক্সিদেন্টনি হায়রি

ইটানগর, জুন ১৪ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী প্রতাপগর দিষ্ট্রিক্টতা টি ভি জর্নেলিষ্ট অমা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা শিরম্লে।

এ বি পি ন্যুজ অমসুং এ বি পি গঙ্গাদা থবক তৌবা সুলাব শ্রিভাস্তাভা কৌবা জর্নেলিষ্ট অসিনা শিগদবা নোংমা মাঙওইননা থাংজ নুমিৎতা উত্তর প্রদেশ পুলিসতা কমপ্লেন্ট অমা ইদুনা হন্দক্তা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী লিকর মাফিয়াগী মরমদা ইরুব্বদগী মঙোন্দা কিহল্লকপা লৈরে হায়না খঙহনখি।

মহাকপু প্রোটেক্সন পীবিনবা হায়রদুনা শ্রিভাস্তাভানা কমপ্লেন্ট অদুদা হায়খি মদুদি, মহাক্কী পাউ ফোঙলুবদগী লিকর মাফিয়ানা মঙোন্দা শাউরে অমসুং মখোয়না মঙোন্দা নৎত্রগা মহাক্কী ইমুংদা চৈথেং পীবা পাম্মী হায়বসি ছোর্স খরনা মঙোন্দা খঙহল্লক্লে।



অমরোমদা প্রতাপগর পুলিসনা জর্নেলিষ্ট অসি মোটোরসাইকল এক্সিদেন্টতা শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। প্রতাপগর পুলিসগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, শ্রিভাস্তাভা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবা পুং ১১ রোম তাবদা মীদিয়া কোভরেজ লোইরবা মতুংদা মোটোরসাইকল তোংলগা হল্লকখি। মহাক চেক্কোন অমগী মনাক্তা মহাক্কী মোটোরসাইকলদগী তাশিনখি।

লেবরর খরনা মহাকপু লম্বীদগী লৌখৎখি অমসুং মহাক্কী ফোন শীজিন্নরগা মরুপ-মপাংশিংদা কোল তৌখি। মহাক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং দোক্টরশিংনা মহাক শিরে হায়না লাউথোরকখি।

পুলিসনা মখা তানা হায়, থিজিনবা হৌবদা শ্রিভাস্তাভা লম্বী পরিংদা লৈবা হেন্দপম্পদা থোমজিনবদগী মহাক্কী মোটোরসাইকলদগী তাখিবনি। মীশি অসিগী মতাংদা অতৈ এঙ্গলশিংসু থিজিল্লি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ষ্টেট অসিগী ওপোজিসন পার্টি কয়ানা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথপু চৈ থাংখিবগা লোয়ননা লিকর মাফিয়ানা অলিগরদগী প্রতাপগর ফাওবদা মীওই কয়া হাৎখ্রবসু য়ু পি গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়খ্রে।

# এইমস দেল্লীনা অঙাংশিংদা ঙসিদগী কোভেক্সিন চাংয়েং হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ১৪ (এজেন্সী):
দেল্লীদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস হোস্পিটালনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী চহী ৬-১২ গ্রুপকী অঙাংশিংদা লৈবাক অসিনা পুথোকচবা কোভিদ ভেক্সিন কোভেক্সিনগী ক্লিনিকেল চাংয়েং হৌরগনি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না কোভেক্সিনগী ক্লিনিকেল চাংয়েংগীদমক চহী ১২দগী ১৮ ফাওবগী মীওইশিং রিক্রুট তৌবা লোইরে অমসুং মখোয়দা ভেক্সিনগী দোজ অমা কাপ্লে।

চহী ৬-১২গী অঙাংশিং রিক্রুট তৌরবা মতুংদা এইমস, দেল্লীনা মখোয়দা কোভেক্সিনগী ক্লিনিকেল চাংয়েং পাঙথোক্কদৌরিবনি। অঙাংশিং কোভেক্সিন চাংয়েং চথররিবসি পুন্না সেন্টর ৫২৫দনি। মসিগী মতুংদা চহী ২-৬কী অঙাংশিংদা ভেক্সিন অসি চাংয়েং তৌগনি।

অঙাংশিংদা ভেক্সিন ক্লিনিকেল চাংয়েং তৌনবা খল্লবশিংগী মনুংদা এইমস পটনা, কর্নাটকাগী মহিসুর মেদিকেল কোলেজ এন্দ রিসার্চ ইনষ্টিট্যুট য়াওরি।

এইমস পটনাগী দিরেক্টর প্রভট কুমারনা হায়, চহী ১২-১৪গী অঙাংশিংগী ক্লিনিকেল চাংয়েং লোইরে, মখোয় ওবজার্ভেসন তৌদুনা থল্লি।

ইন্দিয়াগী দ্রগ রেগ্যুলেটরনা চহী ২দগী ১৮ ফাওবগী মীওইশিংদা ভেক্সিন অসিবু ফেজ ২/৩গী ক্লিনিকেল চাংয়েং তৌবগী অয়াবা হৌখিবা মে ১২দা পীখি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গোল গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভকীদমক শেম-শারি

কোলকতা, জুন ১৪ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভতা থেংনখিবা অৱাবা কয়া খঙলবা মতুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গোল গভর্ণমেন্টনা অহুমশুবা ৱেভ থেংননবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কনখৎলক্লি।

অহুমশুবা ৱেভতা কোভিদনা অঙাংশিং অমসুং নুপীশিংদা হেন্না শোকহল্লকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লবদগী ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মখোয়বু শাথিরবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর অজয় চক্রবোর্টিনা হায়, কনাগুম্বা অতৈ লৈবাকশিংদা অহুমশুবা কোভিদ ৱেভতা চহী ১২ ফাওবগী অঙাংশিংবুনা হেন্না লায়না অসিনা শোকহল্লি হায়বসি ঐখোয়না খঙলে। তাঙ্কক অসিদা কেস মশিং শরুক অনীদা হেনগৎখ্রে। তাঙ্কক অসিদা ঐখোয়গী ষ্টেটতা নোংমদা অঙাংশিংদা থেংনরিবা ইনফেক্সনগী চাং অসি চাদা ৩ ওইদুনা নোংমদা ২০০ রোম থেংনরি। ইনফেক্সনগী চাং অসি হেনগৎলক্তুনা চাদা ৫দগী ৭ ফাওবা য়ৌদুনা নোংমদা অঙাং ৫০০দগী ৭০০ ফাওবা নারকপা য়াই।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি য়েংলগা কোভিদ লাইচৎকী অনীশুবা ফেজ অসি জুনগী অরোয়বা নৎত্রগা জুলাই হৌরকপফাওবগী মনুংদা লোইবা য়ারি হায়না পাবা য়াই। অদুনা ঐখোয়না অহুমশুবা তাঙ্কক্কী শেম শাবদা থা ২দগী ৩ ফাওবগী মতম ফংলি। হায়রিবা মতম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অহুমশুবা ৱেভ অসিবু হেন্না ইফেক্টিব ওইনা থেংনবা ঙম্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবা ৱারেপ লৌরে।

ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী সোর্সশিংনা হায়, গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদকী বেদ ২৬,০০০ লোম লৈ। বেদশিং অসিগী জেন্দর রেসিও নুপাশিং অমসুং নুপীশিংগা য়েংনবদা ৬০ অমসুং ৪০ ওইদুনা নুপাশিংগীনা হেল্লি। তৌইগুম্বসুম অহুমশুবা ৱেভতা নুপী অমসুং অঙাংশিংনা হেন্না রিস্ক ৱাংবনা জেন্দর রেসিও অসি ওন্থোকপগী ফিভম লৈ। রেসিও অসি ওন্থোক্লবা মতুংদা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী বেদনা অপুনবা বেদশিংগী চাদা ৬০ ওইরগনি।

চক্রবোর্টিনা মখা তানা হায়, কেস অয়াম্বদা অঙাংশিং মখোয়গী মমাগা লোয়ননা লৈহনবা মথৌ তাবনা হোস্পিটালশিংদা মসিগীদমক্তসু রি-ওর্গনাইজেসন অমা মথৌ তারি। অঙাং নৎত্রগা মমানা হান্না নেগেটিভ ওইরকপা মতমদা করি তৌগদগে হংয়বগী মতাংদা লেপ্পনবা ঐখোয়না এক্সপার্টশিংগী মোটসু লৌনবা হোৎনরি। অনীশুবা ৱেভতা পেদিয়াট্রিক কোভিদ পেসেন্টশিংগী এদমিসন মশিং নোংমদা ২০০ রোম ওইখি। মশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়না অহুমশুবা ৱেভ লাকপা মতমদা নোংমদা কেস ৫০০ থেংনগনি হায়না পারি।

ক্রিটিকেল ক্যের য়ুনিটশিংগী চাদা ৫ অমসুং হায় দিপেন্দেন্সি য়ুনিট (ঐচ দি য়ু)শিংগী চাদা ১০ খাক্তুনা থম্বা মথৌ তাবা য়াই হায়না পারি। তৌইগুম্বসুঙ ঐখোয়না মশিং অসিদগী হেন্না য়াম্না টার্গেট তৌনবসু হোৎনরি। পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (পি আই সী য়ু)শিং বেদ ৫০০দা হেনগৎনবা অমসুং ঐচ দি য়ু শিংনা ১,০০০ দা হেনগৎনবা থৌরাং তৌরি। তৌইগুম্বসুঙ খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ৱাফম অমনা থা অমা ফাওবা মপুঙ ফাদ্রিবা অঙাংশিংগী ওইনদি স্পেসল ন্যু-বোর্ন ক্যের য়ুনিট (এস এন সী য়ু) অমসুং ন্যু-বোর্ন ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (এন আই সী য়ু) ৬৮দা তোঙানবা কোভিদ বেদশিং থল্লগনি। সিনিয়র হেল্থ ওফিসল অসিনা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাউবা চেলেঞ্জদি ইন্টেন্সিব পেদিয়াট্রিক ট্রিটমেন্ট ফেসিলিটিশিং কোলকতাদা অয়াম্বা লৈবা অসিনি হায়খি।

# লক্ষনৌবু নেচরেল ওক্সিজেন হব ওইহনবদা এন বি আর আইনা মতেং পাংলগনি




লক্ষনৌ, জুন ১৪ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী কেপিটেল সিটি লক্ষনৌবু নেচরেল ওক্সিজেন হব অমা ওইহন্নবা সিটি অসিদা লৈবা নেসনেল বোটানিকেল রিছার্চ ইনষ্টিট্যুট (এন বি আর আই)গী সাইন্টিষ্টশিংনা লক্ষনৌ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (এল এম সী)গা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা পাংবা য়াবা মতেং পুন্বা পাংলগনি হায়না সি এস আই আর অমসুং এন বি আর আইগী দিরেক্টর এস কে বরিকনা থাজবা পীখ্রে। বরিকনা লক্ষনৌগী মেয়র সনয়ুক্তা ভাতিয়াদা হায়খি, পীপাল, বনয়ান অমসুং পকদ হায়রিবা উশিং অসি য়ুহা হাবা মতমদা শোক্তে। বনয়ান ত্রি অসিসু ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগা লোয়ননা ইনভাইরমেন্টদা কান্নে।

এন বি আর আই কেম্পসতা হৌবা বনয়ান পাম্বী অমগী মরমদা বরিকনা হায়খি, এন বি আর আই কেম্পস মনুংদা হৌরিবা বনয়ান পাম্বী অসি নীংতম লানদা চেন্নরক্লে। নীংতম লানদা মথ্বাই কৎখ্রবী উদা দেবীনা উ অসিদা কারগা বৃটিশ ফোর্সশিংগা লাম্থেংনখি। বনয়ান পাম্বী অসি ষ্টেট বাইওদাইভর্সিটি বোর্দনা হেরিটেজ ষ্টেটস পীরে। বৃটিশকা লাম্থেংনবদা মফম অসিদা মীওই কয়া থৱায় থাখি।

এন বি আর আইগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট পঙ্কজ শ্রিভাস্তাভানা হায়, বনয়ান অসি শারবা নুংশা মরক্তা উরুম পীবা খ্বাইদগী ফরবা উশিংগী মনুংদা অমনি। বনয়ান উগী মনা অমসুং মরু কান্নে। অশোকপা মফমদা বনয়ান মনাগী মহী থোম্বা কান্নে। মহী অসি জোইন্ট পেইন অমসুং অর্থ্রাইটিসতসু কান্নে। বনয়ান পাম্বীগী মহৈসু অলসরগী হিদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই। উ পাম্বী মখল অসিনা ওক্সিজেনসু মরাঙ কায়না পুথোকই।

সিটি অসিদা থাবা য়াবা ওক্সিজেন খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা ঙম্বা উ পাম্বীশিং খঙবা পামই হায়না মেয়রনা ফোঙদোকখি।

# মপান্দা চৎকদবশিং ভেক্সিন থুনা কাপ্লগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ১৪ (এজেন্সী): থবক্কীদমক নৎত্রগা ষ্টদিগীদমক মপান্দা চৎনবা থৌরাং তৌরিবা নেসনল কেপিটেলদা লৈরিবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন থুনা কাপ্লগনি হায়না দেল্লীগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা ভেক্সিনেসন ইনিসিএটিব অসিদা মখা তাবা ষ্টদিগীদমক মপান্দা চৎনবা থৌরাং তৌরিবা মহৈরোয়শিং নৎত্রগা মপান্দা থবক ফংদুনা চৎনবা থৌরাং তৌরিবা সিটিজনশিং নৎত্রগা ইন্টরনেসনল স্পোর্টস প্লেয়রশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌবা য়াগনি।

দেল্লী গভর্ণমেন্টনা মন্দির মার্গ, আই টি ওদা লৈবা নবয়ুগ স্কুলদা তোঙানবা ভেক্সিনেসন সেন্টর অমা হাংখ্রবনি। সিসোদিয়ানা হায়, হৌজিক্কী মতম অসিদা ঐখোয়গী অঙাংশিং মখা তাবা ষ্টদিগীদমক মপান্দা চৎনরি। নৎত্রগা মীওই কয়া অমা লৈবাক অসিগী মপান্দা থবক থিদুনা ফংবা য়াওনরি। মসিদা নত্তনা ইন্টরনেসনল স্পোর্টস ইভেন্ট কয়াদসু শরুক য়ারিবা মীওই কয়া লৈরি। অসিগুম্বা সিটিজনশিং অসিগীদমক্তা ঐখোয়না অখন্নবা ভেক্সিনেসন সেন্টর অসি হাংলে। মখোয় খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা অয়েৎ অপন অমত্তা লৈহন্দনা ভেক্সিন কাপ্পা য়াগনি। স্পেসল প্রোভিজন অসিগী মখাদা সিটিজনশিংনা কোভিশিল্ড ভেক্সিন কাপ্পা য়াগনি। অহানবা দোজ কাপ্পবা মতুং নুমিৎ ২৮দগীনা ৮৪ কান্নরগা অনীশুবা দোজ কাপ্পা য়াগনি। প্রোভিজন অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা মপান্দা চৎকদৌরিবা সিটিজন খুদিংমক্তা ফংহনগনি। ভেক্সিনেসন অসিগীদমক্তা ইলিজিবল মীওই খুদিংমক্না মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং পায়গদবনি।

# এবসেন্ট ওইবা এম পি ফানবা দিমান্দ তৌখ্রে

পলাকোদেরু, জুন ১৪ (এজেন্সী): অন্ধ্রপ্রদেশকী লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সি নরাসাপুরমগী এম পি কে রঘুরামা কৃষ্ণ রাজুদা ভোট থাদখি হায়না ক্লেইম তৌবা দলিট কাংবু অমনা পুলিসতা এম পি অসিবু ফাবীয়ু হায়না ৱাকৎখ্রে।

মীখলগী কেম্পেইন মনুংদা রাজুনা শকখিবা ৱাশকশিং ঙাকপা ঙমদ্রে হায়রদুনা মখোয়না মহাকপু ফানবা পুলিসতা ৱাকৎখিবনি। দলিটশিং অসিনা এম পি অসি মতম পুম্বদা এবসেন্ট ওই হায়রি।

পুলিসতা তৌবা কমপ্লেইন্ট অদুদা দলিটশিং অসিনা হায়, রাজুনা গরাগাপারুগী ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা মখোয়গী প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌগনি হায়না মীখল মনুংদা থাজবা পীখি। তৌইগুম্বসুং মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা মহাক্না ভিলেজ অসিদা অমুক হন্না লাকখিদে।

নরাসাপুরম ভিলেজগী দলিটশিংনসু নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসতা ৱাকৎলদুনা মহাকপু সিদিসন অমসুং এস সী/এস টি প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ এক্টকী মখাদা বুক তৌবিনবা তকশিনখি। ৱাকৎশিং অসিগা মরী লৈননা পুলিস ওফিসল অমনা হায়, দলিটশিংগী ৱাফম অসি গাইদেন্স অমদি মখা তাবা এক্সনগা মরী লৈননা লিগেল ওপিনিয়ন লৌনবগীদমক সিনে পুলিস ওফিসরশিংদা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা থা কয়ামুক অসি এম পি রাজুনা মহাক্কী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগী ফিভম য়েংশিনবগী মহুত্তা হাইদরবাদ নৎত্রগা দেল্লীদা লৈখি।

চৈরকসিদা, নরাসাপুরমদগী কাবা রেবেল এম পি অসিনা ইলেক্সনগী মতমদা শকখিবা ৱাশকশিংগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগনমোহন রেদ্দিদা নুমিৎ খুদিংগী লেট্টর অমমম ইদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ৱাশক অমত্তা থুংহনবা ঙমদ্রে হায়না কমপ্লেইন্ট তৌখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্না চীফ মিনিষ্টরদা ইখিবা লেট্টরদা এগ্রিগোল্দ দিপোজিটরশিংগী মরমদা পনখি।

## [illegible] / অৱাবা ফোঙদোকপা



হৌখিবা চৈচৎ ১১/৬/২০২১ কুমজা, ইঙাগী ১ পানবা ইরাই নুমীৎতা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবী নিংথৌজম ওংবী মেমচা লৈমা, ময়াং ইম্ফাল উয়ুম য়াংবীদা লৈবীরম্বগী মফমদা লৈশেম্বা খুন্থোকপা অহানবা লিক্লম লিখুন লিবা লুপ অসিগী মরুওইবা মেম্বরশিংনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি অমসুং মহাক্কী থৱায় মিরেলনা ঈংনা-চিক্না মপূগী লৈকোন্দা লৈরুনবগীদমক থৌনীজরি।

Sd/- **Th. Nobo Moirang**
Secretary, Leishemba Khunthokpa Ahanba
Liklam Likhun Liba Lup, Kangleipak
HL-P/9932/15

**MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED**
*Keishampat Junction, Imphal – 795001*

**Corporate Office:-** Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA
Fax : +91385 2450702
Tele: +91385 2450050

No. 4/1/OM(DI)/132KV/YKLINE/2021/MSPCL(PURCH)/436-41
Imphal, the 14th June 2021

**[illegible] / NOTICE INVITING TENDER**

The Managing Director, Manipur State Power Company Ltd (MSPCL), a Government of Manipur Enterprises invites sealed tenders in triplicate from eligible turnkey firms who have experienced in the field of the same nature of work for execution for the following works.

| Tender Specification No | Particulars | NIT value (inclusive of GST) | Cost of Tender Paper | Last date of receipt of request for Tender Paper | Due date of receipt of completed Tender | Due date of Opening of Tender |
|---|---|---|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) | (5) | (6) | (7) |
| 4/1/21 | Operation & Maintenance of 132KV D/C Transmission Line from Yaingangpokpi to Kakching (Sh: Replacement of old insulators in between Location No. YK-46 to YK-90) on turnkey basis. | Rs. 81.64 Lakh. | Rs. 10,000/- | 24.06.2021 upto 4.30 p.m | 06.07.2021 upto 4.30 p.m | 09.07.2021 at 2.00 p.m. |

2. Bidding Documents shall be available from the office of the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.**

3. The application request for the NIT along with cost of the tender paper (Non-refundable) shown above, in the form of Demand Draft/D-at-Call/FDR/Banker Cheque from a Nationalized/Scheduled Bank preferably having its branch at Imphal (preferably State Bank of India), drawn in favour of the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited** should be submitted to the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.**

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL
HL-B/6994/15

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 59.1L+10,442 | 56.4L+7,504 | 1.11L+2,771 |
| Karnataka | 27.7L+7,810 | 25.5L+18,646 | 32,913+125 |
| Kerala | 27.3L+11,584 | 25.9L+17,856 | 11,181+206 |
| Tamil Nadu | 23.5L+14,016 | 21.7L+25,895 | 29,547+267 |
| Andhra Pradesh | 18.1L+6,770 | 17.1L+12,492 | 11,940+58 |
| Uttar Pradesh | 17L+452 | 16.7L+1,221 | 21,786+51 |
| West Bengal | 14.6L+3,984 | 14.3L+2,497 | 16,896+84 |
| Delhi | 14.3L+255 | 14L+376 | 24,823+23 |
| Chhattisgarh | 9.87L+459 | 9.6L+1,858 | 13,317+6 |
| Rajasthan | 9.5L+308 | 9.33L+1,260 | 8,822+7 |
| Odisha | 8.52L+4,469 | 7.97L+7,733 | 3,302+45 |
| Gujarat | 8.2L+455 | 8L+1,063 | 9,997+6 |
| Madhya Pradesh | 7.88L+274 | 7.75L+780 | 8,552+18 |
| Haryana | 7.66L+339 | 7.52L+821 | 8,992+43 |
| Bihar | 7.17L+487 | 7.02L+868 | 9,492+8 |
| Telangana | 6.03L+1,280 | 5.79L+2,261 | 3,484+15 |
| Punjab | 5.88L+956 | 5.59L+1,980 | 15,562+59 |
| Assam | 4.59L+2,167 | 4.14L+5,403 | 3,951+36 |
| Jharkhand | 3.43L+154 | 3.35L+723 | 5,084+2 |
| Uttarakhand | 3.37L+263 | 3.25L+644 | 6,935+7 |
| Jammu and Kashmir | 3.07L+774 | 2.88L+1,965 | 4,186+12 |
| Himachal Pradesh | 1.99L+237 | 1.9L+855 | 3,391+7 |
| Goa | 1.62L+420 | 1.55L+581 | 2,928+14 |
| Puducherry | 1.13L+402 | 1.06L+809 | 1,684+7 |
| Chandigarh | 61,110+54 | 59,798+71 | 792+3 |
| Manipur | 59,852+530 | 50,379+726 | 974+15 |
| Tripura | 59,321+235 | 53,531+610 | 620+7 |
| Meghalaya | 41,906+305 | 36,550+547 | 733+6 |
| Arunachal Pradesh | 31,282+134 | 28,252+434 | 145+2 |
| Nagaland | 23,644+82 | 19,689+208 | 453+5 |
| Ladakh | 19,561+17 | 18,706+105 | 197 |
| Sikkim | 18,414+157 | 14,580+387 | 281 |
| Mizoram | 15,364+97 | 11,748+203 | 67+5 |
| Lakshadweep | 9,209+34 | 8,589+72 | 44+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,261+18 | 7,025+29 | 126 |